ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ০৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৯৮শুবা মশীং

# মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন

## খূৎ অনী চংদুনা খূবাক খুহৌবা চুমগনি

গভর্ণমেন্টনা তৌদে হায়বা নত্তে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাকশিন্দুনা মসিদগী ওভরকম তৌনবা মথৌ তাবা থবকশিং অকনবা মওংদা পায়খৎলি। তৌবা য়াবশিং তৌরি। কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌবনা লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়দুনা চংশিল্লক্লি। খোঙচৎসি অচুম্বা লম্বীদা থাংলকপা অফবা খোঙথাংনি। মণিপুরগী ভেক্সিনেসন তৌবদা ইলিজিবল ওইরবশিং পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা থবকসিনা কোনশিন্নবা লেপ্তুনা চংখিগদবনি। মসিগীদমক 'মাস ভেক্সিনেসন' হায়বগী ৱাফমসি ফাউবা পুথোরক্তুনা শীজিন্নরগা ৱাহৈশিংসিগী বেন্নর মখাদা চঙশিল্লক্লিবনি। থবকসিনা মশাগী চহী ১৮ অমসুং চহীসিগী মথক্তা লৈবা মীওই পূম্নমক কোনশিল্লক্লিবনি। অদুবু লৈঙাক্লা চংশিল্লক্লিবা মাস ভেক্সিনেসনগী থবকসিদা মঙম ইশান-শান্দবা, মশেক-মঙাল ইথোক-থোক্তনা য়ৌহন্নীংবা তার্গেটি য়ৌহনফম থোকপা মতমদা য়ৌবা ঙমদবগী ফীভম অমদি মায়োক্নরি। ৱাফমসিদি অরানবা নত্তে, হেক্তা হায়জিনবসু নত্তে। মসি ওইরগদি ফীভমসি মতৌ করম্না ওইহল্লক্তুনা থোকহল্লক্লিবনো হায়বসিসু মাস ভেক্সিনেসনগী থবকসিগা ইরোয়ননা থিগৎহৌবা চুমগনি। মরমদি জুলাই ১, ২০২১ ফাওবদা অপূনবা মীশিং ৬,৬৬,৬২৫ না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। অপূনবা মীশিংসিগী মনুংদা ভেক্সিনসিগী ফর্ষ্ট দোজ কাপথোকখিবনা মীওই ৫,৮২,২৮০ নি। অদুগা সেকেন্দ দোজগী হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৪,৩৪৫নি। য়ৌরক্লিবা ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংগী মশীংসিদি হৌজিক লায়নাসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১,১৬২ গী থৱায় মাঙহনখ্রবা ফীভমসিদদি পূক্লিং লূমনীংঙাই ওইদ্রি। লায়নাসি মায়োক্নবগী লানফমদা মায় পাক্লে হায়দুনা নে-তানা লৈথোকপা য়াদ্রি। লাখ ৩০ হেল্লবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিংদগী ভেক্সিনেসন তৌবা য়ারে হায়রিবা চহী ১৮ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবশিং খায়দোক্লগা ফংলকপা মশীংগী তঙ্খাই য়ৌদ্রি। লায়নাসিনা অসুক য়াম্বা মীওইশিং অসি শিহনখ্রবা ফাওবদা মসিদগী ঙাকথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়রিবা ভেক্সিনেসন অসিনা কোনশিল্লবা মীওইশিংগী মশীংসি পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইরি, য়ামদ্রি। মসিগী তোঙান-তোঙানবা মরমশিং ময়াম লৈরমগনি। অদুবু মরমশিংদুগী মনুংদা অমদি কোভিদ ভেক্সিনসি কাপচরোই হায়বা মীওইশিংগী মশীং হৌজিকসু য়াম্না লৈরি। হীদাক লেম্না কাপকদবনি হায়বদগী হেন্দোক্তুনা মশাগী ময়ূমদা লাক্তুনা কাপ্লগে হায়রবা ফাওবদা মশানা ভেক্সিনেসন অসিগীদমক য়ানীংনা মখোঙনা থোংনা থোরকনীংদবা মীওইশিং লৈরি। মখোয়বু ভেকিসনসিগী মতাংদা মখোয়দা লৈরিবা ষ্টিগমাশিংদু কোকহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ইশম শন্বদা গভর্ণমেন্টনা লায়নাসিগীদমক য়েংলগা পায়খৎলক্লিবা পায়খৎতবা য়াদবা থবকসিগীদমক তিংথোরক্লিবা লৈঙাক্কী খূবাকসিদা অহৌবা মখোল থোকহন্নবগীদমক মীয়ামগী মায়কৈদগীসু মীপূম তিংনা খূবাক তিংথোকপগী মথৌ তারি। মতাংসি য়ৌশিল্লক্লবদি মীয়ামসু অয়ম্বদৌনা লৈথোকপা চুমদে। হীদাক কাপথোকহৌনবগীদমক মাঙজিল থানা হৌনরুবা নাইদনা থোক্লরক্লগদবনি। ঐ অমা, ঐখোয় ইমুং অমা হীদাক কাপহৌদবদা লায়নাসিনা নাহল্লকপা য়াওরক্লগদি মী অমখক্তা নত্তনা ইমুংগী মীওই পূম্নমক অৱাফমদা তাগদৌরিবনি। মশা মশাগী ইমুংশিংদগী হেন্দোরক্তুনা য়ূমথংনবা অমসুং লৈকায়গী মীয়ামদসু চপ মান্নবা চৈথেংশিং মায়োক্নহল্লক্কদৌরিবনি। গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামদা অনৌবা পোৎলুম অমমুক থোনগৎলক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা ভেক্সিনেসনগী ইলিজিবল ওইরবা চহী কাঙলূপকী মনুংদা লৈরবা মীওইশিংনা অমত্তা চিংখদনা হীদাক কাপথোকহৌনবা পন্থদনা থোক্লরক্কদবনি।

অদুগা ভেক্সিনেসনগী থবক্তা গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামগী খূবাক নাম্মা-নাম্মনা পূন্না অমত্তা ওইনা খুমিন্নদুনা মখোল থোকহনগদৌরিবা অদুম্মাইনা ভেকিসনেসনগী থবকসিসু মাস টেষ্টিং হায়রিবা থবকসিগসু তুনা চৎমিন্নহনগদবনি। মশ্বাইদা টেষ্টিং তৌবগী কান্নবা অমুক হন্না শন্দোক্না পল্লুদ্রবসু য়ারগনি খল্লি। তমথীরবা লায়নাসি লৈ-লৈতে খঙদোকপসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা অমা পেন্দমিক অসিবু মায়থীবা পীনবগী লানফমদা শীজিন্নরক্লিবা খূৎলায়শিংগী মনুংদা লৈরমগদবা মান্দ্রে। থবকসিদসু মীয়ামগী মায়কৈদগী অচৌবা মতেং চংই। হায়বদি মাস ভেক্সিনেসন অমসুং মাস টেষ্টিংগী থবক অনীসিদা মমৈ পায়দুনা থেক্ত্রিবা ফাওবা হৌগৎতবগী ফীভমদা নীংঙাইদনা কুন্দুনা লৈথোকপা চুম্লরোই। পেন্দমিক অসিগী সেকেন্দ ৱেভকী মৈরিনা মণিপুরগী চীং-তমগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা চাক্লিবনি। মসিদগী মমল য়াল্লবা থৱায়শিং কলহৌনবগীদমক মৈরৌ হেঞ্জিনখিদ্রিঙৈদা মৈরিলকসিদগী মীয়াম পূম্নমক মতম চানা চোংথোকহৌগদবনি। পূম্নমক চাকথেক্তুনা কাথেল্লগা উৎ ওল্লকান্দা থোরকপনা কান্নরোই। মীয়াম পূম্নমক ৱাখল তাবিরো। অমত্তা চিংখদনা টেষ্ট তৌথোকপগা লোয়ননা ভেক্সিনেসন তৌথোকপগী থবক্তা খোঙলৌ পল্লৌনবা খুরৌ অমত্তা থাংহল্লগুমসি। মসিনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১) *'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
২) *'পুন্সিগী মরুদ্যান'* হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
৩) *'খোঙজি মখোল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
৪) *'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'* হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?
৫) *"হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।"* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# তুনানগী ৱারী

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

কৈথেল্লাকপম তুনান হায়বা অমা খঙবিবরা? নৎত্রগা তাখি লাকখিবা য়াওরব্রা? তাবু তাবিরবসু তাবু তাবিদ্রবসু ইফদ ফরে মাগী ৱারীনি ঐনা ঙসি তৌজগদৌরিবসে।

তা তুনান অসি শমজিন্না হায়রবদা য়াম ফত্তবা নুপা অমনি হায়না মমিং চৎলি, য়ু থকপা, নুপী ফূবা, থবক শূনীংদবা, মীগা খৎনবা, ঈরুজদবা হায়বা মরমচৎ মঙা অসি মাগী থানবা য়াদ্রবা লীচৎনি। মানা লৌরিবী নুপী ইতৈমা ওন্বী অসি শম্না হায়রবদা য়াম্না ফবী নুপী অমনি হায়নৈ। থবক কল্লি, জর্দা চাদে, নুপাদা হঙ্গৎনা খুমদে, লৈকায়গা খৎনদে, মশা মউ নাল্লি।

ইতৈমা ওন্বীনা ফনা খুমদ্রবসু ফনা ৱা ঙাঙদ্রবসু নাকল অমরোমদদি তা তুনাননা নুমিৎ খুদিংগী ঙাঙশিল্লকপগা, কাওশিল্লকপগা, থিনজিল্লকপগা তৌবদা মী অমা ওইবননি নাইদসু হায়দবা য়াদে। ফূরক্কনু-কাওরক্কনুদসু হায়দবা য়াদে। মদুদং হায়রুবদা তাদা তুনান্না মচিন খুম্মী, ৱা ঙাঙই হায়দুনা হেক্তা শান্থদৌরিবনি। কাওরক্কদৌরিবনি, হেক্তা থোমজিল্লক্কদৌরিবনি। মসি নুমীৎ খুদিংগীনি, খাঙবা লাকপগা ঙম্বজাৎ নত্তে। নুপা ফত্তবা, মী ফত্তবা হায়বসে মাগী মখাদা মী হিংবা ৱায়। নুপা অমগা নুপী অমগা চহী অসি খেন্নগে হায়না খেন্নরবদা চহী মঙা অমা তরা অমগী মনুংদনি। চহী য়াংখৈ হেন্না হন্নবা অদুগুম্বা গিনিস রেকোর্দ চনবা য়াবা অদুগুম্বদি ফোরেন কন্ত্রিজগী ৱানি। পঙনা থোকপা থৌদৌসু নত্তে, অদুনা নুপা ফত্তবা অমগা নুপী অফবী অমগা পান্নদুনা লৈমিন্নবা মতমদা নুপী অদুনা নুপা অদুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা খুয়া তুশিৎনা হিংহৌগদবা অসি চহী মঙা অমা তরা অমগী ৱানি। হিংহৌগদৌরিবী নুপী অদুসু নহা ওইনা তগৎ-তগৎ তেক্লা হিংহৌগদবা নত্তে, নুপাদুনা চহী হুম্ফুতরাদা শিরবদি নুপী অদুনা চহী হুম্ফু ওইহৌদৌরিবনি। চহী হুম্ফু হায়বা অসিদি মীপাল খুইরক্লবা মতমনি।



নুমীৎ খুদিংগী তা তুনাননা এঞ্জাং হাওতবগীসু, চাক ঙনবগীসু, চাক থেংবগীসু সুম খৎনবদা পঙহৌদা হৌরকপা অসিদা লৈমিন্নবা নুংঙাইরোই হায়বসি ইতৈমা ওন্বীনা তা তুনানগা খাইনথোক্লগে হায়বসে চপ চানা খল্লে। খল্লকপা তাবনি। লৈমিন্নবা নুংঙাইতবা তারবদি ইশা নুংঙাইনবা হোৎনরকপা তাবনি। মী অমগা মী অমগবু পুন্সি চূপ্পা লৈমিন্নদবা য়াদে হায়বগী আইন লৈব্রনে? ঐনা নুংঙাইত্রবা, ঐনা পামদ্রবা, তেনখ্রবা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা ৱারেমখৈ শিদ্রি ফাওবা লৈমিন্নদবা য়াদে হায়বা অমা লৈফম থোকপ্রনে? লৈরম তারবসু সিগুম্বা চৎনবী অসিদি লোইশিনফম থোকইনা। মসিনি ইতৈমা ওন্বীনা মতম ইমাঙ মাঙদ্রিঙৈ য়াম্না চুম্না খল্লকপা। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা নুপী অসি হীরম কয়াদা খুদোংচাহন্দনবা অমা হেক হেক শেন্বীরম্মী।

নোংমদি ইতৈমা ওন্বী তা তুনানবু থাদোক্লম্লগা তা তুনানগী তাইবঙ পান্দগী চৎখ্রে। হায়বদি তা তুনানগী হিংচা য়াইতম্বীগী তাইবঙপাল অদু থাদোক্লগা য়াম্না ঈং তপ্পা, নুপী লৈখিদবা চহী মঙা/তরুক শুরক্লবা, অফবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদবা নুপা অমদা ময়ূম পানখি। কনা অমত্তনা থাজবা ঙমখিদে। ঐদি তশ হায়না হায়খি। মচা অনীনি। ইতৈমনা পুখি। তাদা অনৌবা অদুনা মচা শক্লা য়োকখি, কৈসু কায়দে। মহাক্কী নুপীনা মচা অমত্তা থনমদে। মাগী মচা শক্লা য়োক্কনি, করিসু কায়দে হায়দুনা অদুম ইরায় লায়না লৈমিন্নখি। অনৌবা তাদগী সংসার হায়বদি তাইবঙ অদুদা মকা লাম্না মোমোন মোমোন নোক্তুনা লৈখি। নুপা অফবগা লৈমিন্নবগী নুংঙাইবা হায়বদু অসি ওইরেকো হায়দুনা মীঙোন্দা ৱারীদা পঙতৌ তৌদুনা লৈরে।

অমরোমদা শাউগন থীবা তা তুনান কদাইদৈনো নুপী অমা অমুক পুরক্লে। মাগী মরমচৎ অদু খরা ৱারকপা য়াব্রা য়েংগে হায়দুনা মকুবোক অনৌবনা পুখ্রে। অনৌবী ইতৈমগী য়ূম্নাক লৌদুনা তখেলচঙবম তুনান হায়না খঙনখ্রে, চহী মঙা ফাজিল্লক্লে, য়ূম্নাক ওনখিবা অদুবু মরমচৎতি হোংদে, ঈরুজনীংদবা, নুপী ফূগনবা, শূনীংদবা, মীগা খৎনগনবা, য়ু থকপা হায়বা মরমচৎ মঙা অসিদি মানা য়ূম্নাক ওল্লবসু শুকহোং হোংদ্রে। মমৈথংদা মকুবোক্লা হায়রকই ঐনা ইমাকনুপাবু য়ূম্নাক ওল্লগা ফনি খল্লম্বা অরেম্বা তারে। অলাস ... অৱাবগী মশকনি। য়ূম্নাক্তা লৈরমদ্রে, লমচৎতা লৈরম্লে। ●

# খঙদবদা ঙকপা য়াব্রা হংনদে

**নবকুমার ওইনা**

লমদমসি নুংশিবা মী লৈ হায়রিসিবু চুম্লব্রা? খঙদ্রবদি হংলু-লাক্লু য়াবা নত্তে। ভোট লেপ্পা লৈবাক নুংশিবগী মান্দ্রে, পুলিস ওইবা লৈবাক নুংশিবগী মান্দ্রে (মীয়ামসি নুংশিবগীদি ওইবা), ওজা ওইবা লৈবাক নুংশিবগী ওইদ্রে, লৈবাকসিবু নুংশিবা শারগা লুচিংবা শারিবশিংনা করিবু তৌবা ঙম্লবা হংনরিবনি। লৈবাকসি নুংশিবগী ঈশৈককা ইরিবশিংনা করি তৌবা ঙমলুগনি। তোলোপকীদমক থবক শূবশিংনা লৈবাক নুংশি হায়বনা হেন্না থাজখিদ্রে।

কয়া মুন্না খঙলুদবা ঐনা মসিবু ঙক্লুবা য়ারিব্রা? য়াম্না নুংঙাইরিবদি লৈবাক নুংশিবগী কম্পিটিসন তৌরুবা য়াবা নত্তে, ফারগা জেলদা লৈবা য়ারিবনি। মদুমক্লা লৈবাকসি নুংশিবা কনানো, লৈবাকসি পায়শিল্লিবনা কনানো অদুম খঙগদৌরিবনি। লৈবাকসি নুংশিবনি হায়বা মীশিংনসু করিসু অহেনবা তৌবা ঙমদবদুনবু থাক অসিদা অসুম লৈরিবা নত্তব্রা? "ফগৎলক্লি, ফনবা তৌরি, ঐনা তৌবনা ফরিবসিনি" হায়বা ঙাক্তা তারি। নুপী ফারগা লৌবসি নুংশিবগীনি হায়বসি লৈবাক নুংশিবদা পাল্লিবা ফোর্মুলা অমনি (ওক্তবীদু শেলনা লৈবমক্তি মান্দ্রি খল্লি), চহী মঙা-মঙাগী শেল য়েল্লগা লৈরবগুম্বনি হায়নরিসিনি।

লৈবাকসিগী মপু মীয়ামনি হায়বসি কমদৌনা খঙনিদি লায়না খঙবা য়াই। থবক অমা শেল পীরগা লৈবা য়াবগী মিনিষ্টরদা শেলদু পীরনি, অদুগা মীয়ামদা অমুক য়েন্থোকইসি লৈঙাকসি মীয়ামগীনি হায়রিবনি। ফজখ্রবা সিষ্টমনি। কম্যুনিজম্নককা য়ৌবা য়াবা নত্তে। মখোয় আগী কম্যুনিজমদু ঐখোয়শ্বায়দা চন্নবা য়াবা হৌনদ্রি। শেল-থুম মরাং কায়না মীয়ামদা য়েন্থোক্কনি, টেক্স ওইনা অমুক খোমগৎপা, থবক শূবদি নত্তবা লল্লোনবা অমসুং অশিল-অরাং ওইবা কাঙবুনা শেন্দোং হেন্না ফংহৌগনি। মসিবুনি সর্কুলেসন ওফ মনি হায়রিবসি। উতোংদু ফুল্লগা ঈ ফমজিনবা মফম মফমদুনি শেল পায়বা, ইনাক খুনবা হায়রিবসি। ঈদু চেন্দ্রগনা খুঙ্গংগী শিন্মীশিং পংথরগা তারিবনি। শেল পায়বনা পায়বদু অদুম হেনগৎপা পায়দবনা অদুম পায়দবা অসিবুনি দেমোক্রেসি হায়রিবসি (মীৎয়েংদুগী ৱানি) ইন্দিয়াগী শেলসি নম্ফম অহুম মরি পাকিষ্টান্দা লৈ হায়বসিনা চুম্বা তারবদি ইন্দিয়াগী শেল পায়বসি পাকিষ্টান্দা লৈবা তারকপদুনি। ময়ামসি খঙলুদবীদা শেলদু বোড়া-বোড়া তুরেলদা থাদরম্বদু ঙক্লুবা য়াবা নত্তে। ম্যান্মারগী শেলসু কোলকটাদা ময়াম'মা ফাবা য়াওখ্রিবনি। শেলসিসু খঙপায় পায়গে হায়রগনা বোর্দরদা লৈবা, অতনবা কাঙবুনা তপ্পা-তপ্পা পায়গে হায়রগনা থোঙ্গালদা দুকান ফম্বা তাবদুনি। মোরেদা লৈবা হৈতবা মীসু লৈরিবনি। পোষ্টিং তাবদি মোরেদা তাবা তান্নরিবনি। সিফাই ফাওবা কান্নে খল্লিবনি।

য়ু ফাগে হায়ব্রা, থকপা থিংগে হায়ব্রা, য়ু ঙাওবা থিংগে হায়ব্রা, য়ু শুংবদি থিংবা ঙমদে। মসিদবু ঙকলুবা য়ারিব্রা? ইমা-ইবেনগী নুপী খুন্নাইসি অপূনবা খুন্নাইগী মথক্তদা লৈবসু মাল্লি। ইমানা য়াদে হায়বদগী নুপী কায়নবগী চৎনবী লৈরিবনি। য়ু শুংবা হৈবী মমৌনুপী থিবসু য়াওরিবনি। য়ু শুংদ্রবদি কদায়দগী থক্কনি, থকপদি লায়বু লায়রি, শেলদু কদায়দগী তানগদৌরি। এম এল এ খরদি খঙলিবনি, পুলিস খরসু খঙলিবনি, খরনা খঙশিন্নদবগী ৱাদুদা ঙক্লুবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বা মিনিষ্টরনককা য়ু থকপা থোক্লবদি প্রোহিবিসন তৌবগী লোদু করি শারে। কুমজা ১৯৭৫দগী প্রোহিবিসন কাওন্সিল হায়বা অমগা য়েৎনদুনা লাক্লবনি। লোদুবুদি শেম্লে, য়ূমগী ৱাদু লায়রি, লো শেম্বদা হায়বা ইল্লিবশিংদুনা হেন্না নুংশিখ্রবা ৱানি। সেকমাইনা, অন্দ্রোনা, ফৈয়েংনা, খুরখুলনা, লৈম্রাম্না (ময়াম লৈরমখিনি) নুংশিবদু হেনগদ্রা, থক্লিবশিংনা হেনগদ্রা হংলুবা য়াবা নৎত্রি। ৱারেপকা লোগা শম্নদবা, লোগা মীয়ামগা শম্নদবা, লোগা মিনিষ্টরগা লৈমিন্নদবা (শক খঙনদবসু ওইবা য়াই), লো শেম্লবসু মীয়াম্না ফোংনা য়াবিদবা লমদম হায়বা তারবদি লমদমসি ওইবা তারি। মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবনিনা অঙকপা চিংদ্রে, ঙক্তবরা হায়না হংলুবা য়াবা নৎত্রে। মথক্তা শেম্বাং পাইবা য়াদবা মোইরাং শা হায়বা অমসু লৈরম্লিবনি। হৌজিক লৈরবসু ঙক্লররোই, নেটৱার্ক লৈরবনিনা লোইনা উনরবনি। মালেমগী রেকোর্দ তৌবশিংদুনা উদ্রিবসি নেটৱার্ক ফবগীনি হায়গদৌরিব্রা। ঙকই হায়গদৌবসু খঙদবনিনা হায়বা য়াদ্রে, উবদি মীপূম খুদিংমক্লা উনরিবনি।

লৈবাক নুংশিবসিসু শেল চঙখ্রবা থবক অমনি। লেম্না য়েনবা ঙল্লিবা ময়ামসি লৈবাক নুংশিবা নৎত্রগা মীয়ামসি নুংশিবগীনি হায়বদি শোয়দ্রে খল্লি। ভোট লেপকদৌবসু য়াওই হায়বসু য়ারক্লিবনি। পোৎ য়েন্দ্রবদি লৈবাকসি নুংশিবা ঙমজদবা, মীয়ামসি নুংশিবা ওইদে হায়গদৌরিব্রা। মীপূম খুদিংমক্তা হংলগা খঙবসু ঙল্লোই। পোৎ য়েল্লিবদুবুদি ফরবনি, অৱাবা তারবা মতমসিদা মীনুংশি খঙবা হায়বদু তারেদনা। খরা পীজরগা ফরবনি হায়উ হায়বসি পরিক্ষাদা ঙানু-য়েন পীজরগা পাস তৌরকখিবশিংদু য়াওরম্লবদি লৈঙাক্তুদি কমদৌ তাবা। মসি হায়বগী নোরোক তারবসু তাজখ্রগে, চহী লিশীং অনীসি হঙ্গৎনা য়েংবদা মায়কৈ-সলাই অমা ইখঙ খঙজিল্লক্তগুম তৌশিল্লকই। শেল ময়াম খোমজিনবা ঙম্বনা লৈবাক নুংশিবনি অমুক হায়নরক্লে। মদুগীসু মথক্তা খোমজিল্লিবা শেলশিংদু পুল্লপ হাৎপা ঙম্বশিংনা হেন্না লৈবাক নুংশিবনি হায়রিবনি। চেঙ-হৱাই খরা য়েনবদুগদি ওন্থোক্লা খেন্নখ্রবা ৱাখল্লোননি। করম্বনা চুম্লিবনো খঙদবদা ঙক্লুবা য়াবা নৎত্রি। ঙকপদি লায়রি, নোকপসু য়াদ্রিবসি মদুগী লো লৈতবসিনি। লো ওইনা লৈতবরা, লোদু খঙবা লৈতবগীরা, অদুসু খঙবা নৎত্রি। মালেমগী লো ময়ামসি লমদমসিগা শম্নবা অমত্তা লৈত্রবরা? লম্বী থোং ফাওবা শম্নদ্রবরা, চখোক্তবা ঐখোয়দি খঙজদ্রবনি। মসিবুনি হৈবোং মনুংগী তীল ওইবা তারক্লিবসি। লৈবাক অচৌবদু নুংশিরবদি লৈবাক মচাদু নুংশিদ্রসু য়ারে হায়বা ৱারেপ লৈখ্রবরা খঙবা নৎত্রি। চহী লিশীং অনী লোয়নরক্লগা লিংজেল মান্নবা ঙমদ্রবসু লৈবাক নুংশিবদি ফাওনরিবনি। মমৈদা লৈবাক্তুঃ মান্নরমদবগী ৱাফম লাক্লিবসিনা হেন্নদুম খঙজিল্লক্ত্রে। অঙকপনি হায়রুবককা ঙমজবা নৎত্রিবসিনি। লৈমায় নুংশিরিব্রা, লৈঙাক নুংশিরিব্রা, শেন্থোক নুংশিরিব্রা। পূম্নমকসি লৈবাক নুংশিবনি হায়না লৌগদৌবনি হায়বা য়াদবা-য়াদবা য়াথং অমা লৈখ্রবরা খঙজিল্লক্ত্রে। মীয়াম অমনা মসি ফাওবা খন্দোকপা তৌদনা পঙথখ্রবা তারবদি করি তৌবা তারি। মশাগী লৌ-ইঙ্খোল লৈজদ্রবা লৈবাকসিবুদি পঙনুংদা নুংশিজবা মী ময়াম অমা লৈরে। লৈমায়সি য়াম্না কনশিল্লগা মী অতৈ চঙহল্লোয় হায়বা ময়াম অমসু লৈরে। অমরা-অমরা লৈঙাক পায়রগা লোইরে, মদুনা শেন্দোং হেল্লি, থিকা অচৌবা তৌরিবশিং ময়াম লৈরে। ময়ামসি মুন্নবগী ইকায়বা পোক্লবা নত্তে, মদুনা হেন্না চাওখৎপা ওইনা লৌনবসু মাল্লক্লি। উনা উনা খঙবা ঙমদবদি ঙক্তে।

তাজমহল য়েংলগা, খরা খঙলগা অঙকপনি হায়বা ঙম্নরিবনি। মালেমসি তাওরগা লৈরম্লবসু খোঙনা নেৎলবা অসিদদি ঙকপু ঙক্ত্রে। নুমিৎ-থা ফাওবা নুমিৎ খুদিং উরবনি থোইনা খন্থরুদবদগী অঙকপা ওইনা খল্লক্তরে। লমদমসি য়ুবী লাকপী শান্নবগুম মুন্নবসি গেম ওইনা য়েংব্রা, শান্নবদু য়াওনরিব্রা খঙজদ্রে। ঙকই হায়বসু ঙমজদ্রে। চেঙয়েন খরা চারগা পঙনুংদা নুংঙাইরগা লৈবসিসু কল্লকপা য়াওরম্লি খল্লক্লে। ইথনিক ক্লিঞ্জিং তৌবগা চেঙ য়েনবগা কনানা লুগনি। চেঙ য়েনববু লুশিল্লক্লি, লম্বীদগী লাকখিবা য়াওরিবনি। ত্রষ্ট দিফিসিটনা থল্লবা এক্সত্রিম ত্রাইবেল ষ্টেজ অসিদা নোংথক্তগীনি লাইনি খঞ্জবশিংনা করি তৌববু ঙমজগদৌরি। নোংমৈ মরূ অমফাওবা কাপ্নখিদবা লান অদুদি লান ওইনা লৌবা ঙম্নখিদে। মীচেন ওইনা হিংহৌরবা কাঙলূপকা লৈঙাক পায়শিল্লিবা কাঙবুগা লৈবাক নুংশিবা তান্নরিব্রা। খন্থরুদবনা খঙবা ঙমজদ্রবা ঐখোয় খরনা করিবুনো অঙকপা ওইনা উগদৌরিববু। ●